**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মোরেগী এস.দি.পি.ও- আনন্দ হাৎপদা চেন্নবা কুকি নেসনেল আর্মি (কে.এন.এ)গী কামথাং গাংতে অসাম রাইফলসনা ফারে।

২) রাজ্য অসিদা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মীয়ামদা সরকারনা তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

৩) মণিপুরদা হয়েং ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা ইদুল জ্হা পাঙথোক্কনি।

কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- রেলৱে নেটৱার্কনা লৈবাক্কী মফম পুমমক, কাশ্মীরদগী কন্যাকুমারি ফাওবা শমহনবা ঙমলে।

অমসুং

৫) ইং ২০২৫ গী নিট-পি.জি পরিক্ষা ওগষ্ট ৩ দা সিফ অমখক্তদা পাঙথোকবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে।

------

এরেষ্ট (এল)ঃ মোরেগী এস.দি.পি.ও- আনন্দ হাৎপদা চেন্নবা কুকি নেসনেল আর্মি (কে.এন.এ)গী কামথাং গাংতে অসাম রাইফলসনা ফারে।

তেংনৌপল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মালহোই ভেং এরিয়াদা লালহৌবা খরা লৈরে হায়বগী অককবা পাউ ফংবদগী ৫ শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা মফম অদুদা থি হুম্বগী থবক চথবদা কে.এন.এগী মীওই অদু ফাবনি। ফারবা মীওই অদুদগী নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা ফংবা ঙমলে।

পনবা য়াবদি, এস.দি.পি.ও- চিংথাম আনন্দ হৌখিবা চহিগী ওক্তোবর ৩১ দা মোরেদা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা শকখঙদবশিংনা হাৎখিবনি।

বিরেন (এল)ঃ রাজ্য অসিদা উমং কোকথোকপগী চাং য়ামা ৱাংলে হায়বসি সেতেলাটইট ফোটোশিংগী খুথাংদা খঙবা ঙমখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়- ইং ২০১৭ তগী ২০২৫ ফাওবদা রাজ্য সরকারনা হেক্তর লিশিং ১৮ রোমদা আইন্না য়াদবা মওংদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থুৎতুনা মাংহনখি। মসিদা নত্তনা রাজ্য সরকারনা নিশাগী পোৎলমশিং লল্লোনবা অমসুং উমং কোকথোকপগী থবকশিং থিংনবা কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। মহাকা হায়- হৌজিক হৌজিক য়ামা তঙাইফদ্রিবা অসি উ-ৱা পাক শন্না থাবা অসিনি।

ঈচাউ (এল)ঃ রাজ্য অসিদা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মীয়ামদা সরকারনা তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা দরকার ওইবা মফমশিংদা রিলিফ কেম্প ৬৫ হাংদোকখ্রে।

ঈচাওগা মরী লৈননা চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা জিলা অসিগী ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা লেমা লায়েংবগী কেম্প পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

ঙসিসু সোসিএল ষ্টেন্দরদ ক্লব, সক্সেস স্কুল-নান্দৈবম লৈকাই, খুরাই নান্দৈবম, বি.এল.এফ, পোরোম্পাৎ কৈথেল মখা কম্যুনিতি হোল, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই, ৱাই.জি.সি. ক্লব উচেকোন, নোংমৈবুং মল্টি পরপজ হোল,

খুরাই কালা বিদ্যা ভবননচিংবদা মেদিকেল টিমশিং চৎতুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা দরকার ওইবা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

মরক অসিদা, হন্দক্কী ঈচাউ অসিনা অমাং অতা থোকহল্লবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা লৈবা ইমুংশিংনা মখোয় মখোয়গী অকুপ্পা মরোল ফোটোগ্রাফকা কোন্ননা মরী লৈনবা এস.দি.ও অমদি এস.দি.সিশিংদা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী চেরোল অমনা খঙহল্লি।

অমরোমদা, পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং বিভাগনা থকবা ঈশিং, ব্লিচিং পাউদর পীবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা মেকসিপ টোইলেট অনি শেমলে হায়নসু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা খঙহল্লক্লি।

রেড ক্রোস (এল)ঃ মণিপুরগী ঈচাউনা শোকহল্লবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং বাসিখোং, কোংবা, উচেক্কোন, যুবরাজ পল্লি, তাখোক মপাল, নিংথেম পখ্রি মপালগী অকোইবা অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা- হাইজিন কিট ৫০০, কাংখল ৩০০, টর্পোলিন ২০০ নচিংবা য়াওখি । মখা তানাসু তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, লাইওন্স ক্লবস মণিপুরনসু ঈচাউগী অৱাবা তারবা মীওই কয়াদা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

তেংবাং (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই কেন্দ্রগী ঈচাউনা শোকহল্লবা মীয়ামদা এম.এল.এ- এল. শুশিলদ্রোনা মখা তানা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। ঙসিগী ওইনা কাইরং, খুমিদোক, নান্দৈবম লৈকাই, চীংঙাংবম লৈকাই অমসুং মোইরাংকম্পুদা য়েন্থোকখি।

ফয়ার (এল)ঃ   মণিপুর ফয়ার সার্ভিস বিভাগকী পার্সোনেল ৯০ না শাবা টিম অমনা ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা জেনিমস হোস্পিতাল শেংদোকপগী থবক চথরি। পার্সোনেলশিং অদুনা  ৱাটল বাউসর অহুম, ফয়ার ফাইতিং পোর্তেবল পম্প অমা, ইলেক্ত্রিক ৱাটর পম্প মরি, জেনেরেতর অমা, এল.ই.দি. লাইতিং সিষ্টেমনচিংবা তোঙান তোঙানবা খুৎলায় শিজিন্নদুনা শেংদোকপগী থবক অদু চথবনি।

ইদ (এল)ঃ   মণিপুরদা হয়েং ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা ইদুল জহা পাঙথোক্কনি।

কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মণিপুরগী মীয়াম, মরুওইন মীতৈ পাঙলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্নি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- কুম্মৈ অসিনা প্রোফেট ইব্রাহিমগী থাজবা, ওইজবা থিদবা অমসুং কৎথোকপা কয়া অদুনা মীওইবা খুন্নাইদা তম্বীরম্বশিং নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। মহাকা হায়- কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ইদুল জহাবু মশক তাক্লিবা থৌজাল হৈবা, কৎথোকপা অমসুং মীনুংশি লৈবগী মগুনশিং ঙসিগী খুন্নাই অসিদা ময়েক শেংনা উৎলশি। রাজ্যপালনা হায়- কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা শান্তি লৈবা, অৱাবা তারবা কয়াবু মতেং পাংবীদুনা ইং চিকপা লমদম অমা ওইরসনু।

ইদুল জহা কুম্মৈনা লাকপদা ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স)নসু মণিপুরগী মীয়াম অখন্ননা মীতৈ পাঙলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা ফোক্সনা হায়- কুম্মৈ অসিনা লাকপদা লৈবাক অসিদা কাংলুপ ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎতুনা ইং তপ্পা, নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু।

মিফম (এল)ঃ  ধরতি অবভা জনজাতিয়া গ্রাম উৎকারস অভিয়ানগী জিলা থাক্কী ওইবা মীফম অমা চুরাচান্দপুর জিলাগী মিনি সেক্রেটরিয়েটদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনারনা স্কিম অসিগী কান্নবশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি। মখা তানা ধরতি অবভা অভিয়ানগা মরী লৈননা মীয়াম্বু ভাব তাহনবা অমসুং মসিগী কান্নবা কয়া খঙমিন্নবগী কেম্পশিং থা অসিগী ১৫ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

স্কিম (এল)ঃ  কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না একাদমিক সেসন ২০২৫-২৬ কী ওইনা সেন্ত্রেল সেক্তর স্কিম ওফ স্কোলারসিপ ফোর কজেল এন্দ য়ুনিভর্সিতি ষ্টুদেন্টস ফ্রেসর্স ইং ২০২৫ গী, অদুগা ইং ২০২৪ গী অহানবা রিন্যুএল, ইং ২০২৩ গী অনিসুবা রিন্যুএল, ইং ২০২২ গী অহুমসুবা রিন্যুএল অমসুং ইং ২০২১ গী মরিসুবা রিন্যুএলগী দরখাষ্ট ওনলাইনগী খুত্থাদা কৌরি। অকুপ্পা মরোল দব্লিউ.দব্লিউ.দব্লিউ. দোট স্কোলারসিপস দোট জি.ও.ভি দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি।

চান্দেল (এল)ঃ  এনিমিয়া মুক্ত ভারতকী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী ত্রেনিং কম ওরিয়েন্তেসন প্রোগ্রাম অমা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এনিমিয়া মুক্ত ভারত চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার, ডাঃ টি.ঐচ. নোরেন সিংহনা হায়- লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী, অঙাং, ইনখৎলক্লিবা নহাশিং অমসুং মীরোনবী নুপীশিংদা এনিমিয়া লায়না মপুং ফানা ঙাকথোকবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

টেকোলোজিষ্ট (এল)ঃ মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল (মাষ্টেক)না শিন্দুনা পোপুলরাইজেসন কম দেমোন্সত্রেসন ওফ টেকোলোজিষ্ট হায়বসিদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা থৌরম অমা ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা মাষ্টেক্কী কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২৫ অমসুং ২৬ তা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিগী

মরুওইবা পান্দমদি- মাষ্টেক্কী টেকোলোজি দেমোন্সত্রেসন সেন্তরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা টেকোলোজিশিংগী মরমদা লৌমী অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরশিংদা খঙহনবনি। শরুক য়ানিংবা মীওইশিংনা মাষ্টেক দোট এন.আই.সি দোট ইন হায়রিবা ৱেবসাইট অসিদা দরখাষ্ট ফোর্মশিং থা অসিগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি নত্রগা মাষ্টেক্কী ওফিসতা লাক্তুনা দরখাষ্ট ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়না মাষ্টেক্কী দিরেক্তরগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- রেলৱে নেটৱার্কনা লৈবাক্কী মফম পুমমক, কাশ্মীরদগী কন্যাকুমারি ফাওবা শমহনবা ঙমলে। ৱাফম অসি ঙসি জম্মু কাশ্মীরগী কত্রাদা চেনাব থোং অমসুং অঞ্জিখাৎ থোং শঙ্গারবা মতুং মীয়াম মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা পধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ঙসি শঙ্গারিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা জম্মু কাশ্মীরগী ওইনা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক কয়া পায়খৎপদা অনৌবা ইহুল অমা পীরগনি। জম্মু কাশ্মীরবু ক্রাউন জ্ৱেল ওফ ইন্দিয়া হায়না শিংথারদুনা শ্রী মোদিনা হায়- চেনাব অমসুং অঞ্জি থোংনা লৈবাক অসিগী চাওখৎপগী অনৌবা লম্বী অমা য়াৎলগনি। হৌখিবা এপ্রিল ২২ দা পহলগামদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- পাকিস্তান্না পহলগামগী ইনসানিয়াত অমসুং কাশ্মীরিয়াত অনিমক্তা এটেক চথদুনা কাশ্মীরি মীয়ামগী হিংনবগী লম্বীদা খ্বাইদগী মরুওইরিবা তুরিজম সেক্তরদা অকায়বা পীনবা হোৎনরি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ঙসি শঙ্গারিবা চেনাব অমসুং অঞ্জি থোং অসি ইফিল টৱারদগী হেন্না ৱাংই অমসুং মসিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা লৈবাক অসিগী হৈথোই শিংথোইবা কয়া ময়েক শেংনা উৎপা ঙল্লগনি।

মরক অসিদা, কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি শঙ্গাখিবা থোং অনি অসিনা জম্মু কাশ্মীরগী মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। রেল অসিনা জম্মু অমসুং শ্রীনাগর শমহন্দুনা মীয়ামা মতম কয়াদগী মঙলকপা মঙলান মঙফাওনহল্লে।

অমরোমদা, জম্মু কাশ্মীরগী মুখ্য মন্ত্রি ওমর অবদুল্লাহনা হায়রি- ঙসি শঙ্গারিবা প্রোজেক্ট অসিগুমা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট কয়ামরুম লোইশিল্লক্লে। জম্মু-রিংরোড, শ্রীনাগর রিং রোড, দিল্লি-অমৃটসর-কাত্রা এক্সপ্রেসৱে, লেন মরি লৈবা জম্মু-শানাগর হাইৱে অমসুং জম্মু-শ্রীনাগর এয়ারপোর্ট অমদি রেলৱে নেটৱার্ক পাকথোক চাউথোকপগী থবক অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি। বিক্সিত ভারত ওইনবগীদমক বিক্সিত জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী মঙলান অদু অথুবা মতমদা ফংলগনি।

নিট ঃ ইং ২০২৫ গী নিট-পি.জি পরিক্ষা ওগষ্ট ৩ দা সিফ অমখক্তদা পাঙথোকবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে। নেসনেল বোর্দ ওফ একজামিনেসন্স (এন.বি.ই)না শিনবা পরিক্ষা অসি হান্না থা অসিগী ১৫ দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। পরিক্ষা অসি পাঙথোকপদা থা অনি হেনবগী মতম পীবীনবা এন.বি.ইনা হায়জরকপগী মতুংইন্না জষ্টিস পসান্ট কুমার মিশ্রা অমসুং আগষ্টিন জোর্জ মাসিনা শাবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা য়েংশিল্লবা তুংদা অনৌবা মতম অসি লেপখিবনি। এপেক্স কোর্ট অসিনা পরিক্ষা অসি পাঙথোকপগী মতম হৌজিক লেপ্লিবা অসিদগী অতোপ্পা মতম পীবা ঙম্লরোই হায়নসু এন.বি.ইদা খঙহনখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী নহাশিংনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা মগুন লৈবা থবক কয়া পাঙথোকপা ঙম্লকপা অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিং মালেমগী থাক্তা নিংথিনা খঙনবা হৌরক্লে।

কেন্দ্রগী এন.দি.এ সরকারনা সাসন তৌরকপা চহি ১১ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-হৌখিবা চহি ১১ অসিদা লৈবাক অসিগী নহাশিংবু তোঙান তোঙানবা হিরম কয়া- ষ্টার্টঅপ, সাইন্স অমসুং টেকোলোজি, শান্ন-খোৎনবনচিংবদা নিংথিনা ইনোৎ হাপ্পদগী হৌজিক্তি নহাশিংনা মশক থোকপা থবক কয়া পায়খৎপা ঙমলে। হৌখিবা চহি ১১ অসিদা নহাশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা তোঙান

তোঙানবা থৌশিল থৌরম কয়া সরকারনা পায়খৎপা ঙমলে। থবকশিং অদুগী মনুংদা- ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া, স্কিল ইন্দিয়া, দিজিতেল ইন্দিয়া অমসুং নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ য়াওরি। মসিনা নহাশিংদা অচৌবা ইনোৎ অমা পীরি। লৈবাক অসিবু বিক্সিত ভারত ওইহন্নবা হোৎনবদা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

দেলিগেসন ঃ ওপরেসন শিন্দুরগী মতুংদা ভারতনা তেরোরিজমগী থবক থৌরম অমত্তা লৈহন্দবা হায়বা থৌশিল অদুগী পাউজেল পুবা রাজনীতি দল পুম মক্কী মীহুৎ কাংবু অমা জরমনিদা ঙসি থুংখ্রে। মীহুৎ কাংবু জরমনিদা লৈবা ভারতকী এম্বেসেদর অজিৎ গুপতেনা বার্লিনদা তরামা ওকখি।

ভারতনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপ্লি হায়বা পাউজেল অদু মীহুৎ কাংবু অদুনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা শন্দোক্কনি। বি.জে.পিগী এম.পি. রবি শঙ্করনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদু জরমনিদা হয়েং ফাওবা লৈগনি। মখোয়না লৈরিঙৈ মনুংদা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াগা উন্নগনি।

করনাতক ঃ করনাটক পুলিসনা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোর ক্রিকেট টিমগী মার্কেতিং হেদ- নিখিল সোসালে, দি.এন.এ- এন্তরটেনমেন্ট প্রাইভেট লিমিতেদকী মেনেজর শুনিল মেথিউ অমসুং কিরন কুমার ফারে। বেঙ্গলোরগী চিনাস্বামি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা আই.পি.এল ফাইনেলদা মীয়াম নেৎশিন্নবদগী মীওই কয়া শিখিবা অদুগা মরী লৈননা মখোয়বু ফাখিবনি।

সিক্কিম ঃ সিক্কিমগী মঙ্গল জিলাগী লাচেনদা পনদুনা লৈরম্বা লম কোয়বশিং ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী হেলিকোপ্তরশিংনা হোন্দোরকখ্রে। এয়ার ফোর্সকী হেলিকোপ্তর অদু মফম অনিদগী চলাইবনি অমসুং পনদুনা লৈরম্বা লম কোয়বশিং অমদি মফম অদুগী মীওই খরা হোন্দোরকখিবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল(এল)ঃ ২ শুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ৱৈথোকখিবা মেটচশিং থা অসিগী ৯ দগী মখা চত্থরগনি। মসিগা মরী লৈননা নৌনা শেমদোক্লবা মেটচকী ফিকচরশিং নৌনা থোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)গী জেনেরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, ১৫ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ গী লেমহৌরিবা মেটচশিং থা অসিগী ১০ দগী শান্নবা হৌরগনি। মসিগী মতাংদা অনৌবা মেটচ ফিকচর অমা অম্ফানা থোক্লে।

------